# ইন্দিয়াদা লোন্না চঙশিন্নবা হোৎনরম্বা পাকিস্তানি স্মগ্লরশিংদগী হেরোইন কে জি ৫৬ ফারে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৩ (এজেন্সী):

বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না হেরোইন কে জি ৫৬ রোম ফাদুনা পাকিস্তানি স্মগ্লরশিংনা ইন্দিয়াদা অথিংবা থম্বা পোৎশক অসিবু নারোন্দা পুশিন্নবা হোৎনবা মায় পাকহনখিদ্রে। য়াল্লবা হেরোইন কন্সাইনমেন্ট অদু ইন্টরনেসনল বোর্দর (আই বি) পরিংগী রাজস্থানগী ঙমখৈ মনাক্তগী ফাখিবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা অমসুং শগোলশেনগী লোন্নবা অহিংদা বি এস এফকী ট্রুপশিংনা বোর্দরদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই খরা চখোক-চৎশিন তৌরে হায়বসি খঙলকপদগী নোংমৈ কাপখি অমসুং পাকিস্তানি স্মগ্লরশিং অদু অথিংবা থম্বা য়াল্লবা পোৎশককশিংদু থন্নল্লগা মফমদুদগী চেনখি। পূন্না পেকেট ৫৪দা হাপ্লা কে জি ৫৬ লোম ওইগদবা হেরোইন ময়াম রিকোভর তৌরিবা মফমদু ইন্দিয়া-পাকিস্তান ইন্টরনেশনল বোর্দরগা নক্লবা রাজস্থানগী বিকানরগী মনুং চল্লি।

বি এস এফকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, চাইকি বান্দলি বোর্দর আওটপোষ্টনা কোনবা বোর্দরগী শম্বল খাবা মফমগী মনাক্তা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই খরা চৎপগী মওং উখি। বি এস এফকী ট্রুপশিংনা নোংমৈ কাপখি। তৌইগুম্বসুং পাকিস্তানগী স্মগ্লরশিং অদু অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মফমদুদগী চেনখি। থী-হুম্বা চথবদা হেরোইন ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা পোৎশক কে জি ৫৬.৬৩ থেংনখি। অথিংবা থম্বা পোৎশক ময়ামদু পূন্না পেকেট ৫৪ থোক্লা হাপ্লম্বনি।

বি এস এফনা হৌজিক ফাওবদা রাজস্থানগী ঙমখৈদগী অসিগুম্বা ইলিগেল ওইবা পোৎশককশিং ফাবদা মসিনা খ্বাইদগী চাওবা কন্সাইনমেন্টনি। কিলোমিটর ৩,৩২৩ শাংবা ইন্দিয়া-পাকিস্তান বোর্দর ঙাক-শেল্লিবা বি এস এফনা হীরম অসিগা মরী লৈননা এফ আই আর অমসু রেজিষ্টর তৌখ্রে।

বি এস এফকী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, ট্রুপশিংনা মফম অদুদা স্মগ্লরশিংদুগী খোঙফমশিংসু থেংনখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারি ৭-৮গী অহিংদসু বি এস এফনা বোর্দরগা তায়নবা শ্রীগঙ্গা নগর দিষ্ট্রিক্টতা মান্নবা মওংগী পাকিস্তানি স্মগ্লরশিংগী থৌওং মায় পাকহনখিদ্রবনি। অসুম্না মার্চ ৫ অমসুং মার্চ ২০দসু স্মগ্লিং এটেম্পশিং ফেল ওইহনখিবগা লোয়ননা নারোন্দা চঙলক্লবা হোৎনখিবা মীওই হাৎখি।



# মফম কয়াদা নোং কন্না চুখ্রে

হায়দরবাদ, জুন ০৩ (এজেন্সী):

কেরলাগী সমুদ্র খোংবান্দা সাওথৱেষ্ট মোনসূন য়ৌরকখিবগা লোয়ননা শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্তগী টেলঙ্গনাগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা অখাক-অরাও অমসুং অকনবা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং চুখি। খরা নেম্বা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখি অমসুং অরোকপা ফৌশিং মাঙহন তাকহনখি। ওথোরিটিশিংনা শেল্লিবা প্রোক্যুরমেন্ট সেন্টরশিংদা পৈশিন্দুনা থল্লিবা ফৌশিং ঈশিং থুমজিন্দুনা মাঙ-তাকপদুদা লৌমী কয়া ৱানখি।

মফম খরনা নোংনা লম্বীশিং ঈশিং থুমহনখি অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লায়দা অকায়বা পীখি। টেলঙ্গনা ষ্টেট দিভলপমেন্ট প্লান্নিং সোসাইটি (টি এস দি পি এস)কী মতুং ইন্না, সিদ্দিপেটকী বেজগাওদা য়ুমশকৈশগী অয়ূক পূং ৮.৩০ দগী শগোলশেনগী অয়ূক পূং ৬ ফাওবদা নোং এম এম ১২২.৮ ফাওবা চুখি।

চৈরকসিদা, হায়দরবাদ মেটিও-রোলোজিকেল সেন্টরনা টেলঙ্গনাগী মফম কয়াদা জুন ৬ ফাওবা নোং চুগনি হায়না মাঙজৌননা লাউথোকখ্রে।

# হৈকোলদা ৱাহোং ১৬ শিরল্লে



প্রতাপগর, জুন ০৩ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী প্রতাপগর দিষ্ট্রিক্টকী বাইজলপুর ভিলেজদা লৈবা হৈনৌ অমসুং হৈক্রুগী হৈকোলশিংদা ৱাহোং ১৬ শিরম্বা থেংনখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা উচেকশিং অদু শিরম্বা থেংনবদা মফম অদুগী মীয়াম মীপাইনখি। অহানবদা ৱাহোং অমা শিরম্বা থেংনখি অমসুং খুঙ্গাশিংনা খুদক্তা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা পাউ পীখি। ফোরেষ্ট ওফিসল টিম অমা লাক্লগা অশিবা ৱাহোংদু পুখি। মদুগী মতুং পূং খরগী মনুংদা অতৈ হৈকোলশিংদসু ৱাহোং ১৫ শিরম্বা থেংনখি।

দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর (দি এফ ও) ভারুন কুমার সিংহগী মতুং ইন্না, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা শিরম্বা অহানবা ৱাহোং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌরে। মহাক্কী রিপোর্টতা উচেক অদু শিবগী মরম ন্যুমোনিয়ানি হায়না পনখি। অতৈ ৱাহোংশিংদুসু শিবগী মরম খঙদোক্লবা পোষ্ট মোর্টেম তৌরি।

# দিফেক্ট লৈবা ভেন্টিলেটরশিং শীজিন্নরগা চাংয়েং তৌহল্লোই: বোম্বে হায় কোর্ট

ঔরঙ্গবাদ, জুন ০৩ (এজেন্সী):

মরু ওইবা রুলিং অমদা বোম্বে হায় কোর্টনা হায়খ্রে মদুদি, পি এম ক্যের্স ফন্দগী খূথাংদা গুজরাতকী কম্পনি অমনা সপ্লায় তৌবা ভেরা লৈবা ভেন্টিলেটরশিংনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং শিহনবা থোক্লবদি সেন্টরনা মদুগী থৌদাং লৌগদবনি।

জষ্টিস রবিন্দ্র ঘুগে অমসুং জষ্টিস বিয়ু দেবদ্বারগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পীখিবা রুলিং অমদা হায়, অশোয়বা কয়া য়াওরম্বদগী শেমজিন্নবগী থবক চাওনা চথখ্রবা ভেন্টিলেটরশিংবু মখা তানা পেসেন্টশিং লায়েংবদা শীজিন্নরগা চাংয়েং তৌবা মখোয়না য়াহল্লোই। লায়েংবদা অসিগুম্বা ভেন্টিলেটরশিং শীজিন্নবা তারবদি পেসেন্টশিংগী হেল্থ হেন্না শোকহনগনি। অসিগুম্বা ভেন্টিলেটরশিংনা মী শিহনবা য়াই।

এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া অনিল সিংহনা মহাক্কী সবমিসন্দা রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিটাল অমসুং সফদা-রজুং হোস্পিটালগী দোক্টর অমমম য়াওবা ন্যু দেল্লীগী এক্সপর্ট দোক্টর টিম অমনা শগোলশেন নুমিত্তা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল, ঔরঙ্গবাদ (জি এম সী এইচ)তা চত্তুনা অশোয়বা ভেন্টিলেটরশিং য়েংশিল্লগনি হায়না থমখিবা মতুংদা কোর্টনা মেট্টর অসিগী মথংগী হিয়ারিং জুন ৭তা লেপখি।

মেট্টর অদু হৌখিবা এপ্রিলদা পি এম ক্যের্স ফন্দগী মখাদা জি এম সী ঐচতা ভেন্টিলেটর ১৫০ পীখিবগা মরী লৈনৈ। রাজকোর্টতা লৈবা জয়োতি সী এন সীনা সপ্লায় তৌখিবা ভেন্টিলেটর ১৫০দুগী মনুংদা ভেন্টিলেটর ১৩৩ অশোয়বা কয়া য়াওদুনা মথৌ তৌখিদে।

শেম্লবা মতুংদা ফাওবা মখা তানা বেরা তৌরকখিবা ভেন্টিলেটরশিংদুগী মতাংদা জি এম সী ঐচ কম্মিটি অমনা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌখিবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাং ওইনা মেছিনশিংদু শীজিন্নবা লেপ্লকখি।

# লক্ষ্ণৌগী গুরুদ্বারা অমসুং মোস্ক ৩শুবা কোভিদ ৱেভকী শেম শারে

লক্ষ্ণৌ, জুন ০৩ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী ৩শুবা ৱেভ লাকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী লক্ষ্ণৌদা লৈবা জমা মসজিদ অমসুং অলমবঘ গুরুদ্বারানা মদুবু থেংননবা শেম-শাবা হৌখ্রে।

গুরুদ্বারা অলমবঘনা মাঙজৌননা ইমর্জেন্সি বেদ ৫৩ এরেঞ্জ তৌরে। হৌখিবা থা অমরোম অসি গুরুদ্বারা অলমবঘনা লায়না লাইচৎ অসি থেংনবদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি। লৈজদবশিংদা ওক্সিজেন সিলিন্দর অমসুং কন্সেন্ট্রেটর, রসন, হীদাক লাংথক, মাস্ক, ষ্টীমর, এম্বুলেন্স অমসুং অশিবা হাপ্পা কূ পুবগী সর্ভিস গুরুদ্বারা অসিনা লেম্না ফংহন্দুনা লাক্লি। মখোয়না লখিম্পুর ঘেরি, রাই বরেলি, সিতাপুর, উম্পা ৪ অমসুং অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীওই কয়াদসু মতেং পাংখ্রে।

গুরুদ্বারা অসিগী প্রসিদেন্ট নির্মল সিংহনা হায়, মখোয়না থাংজ নুমিত্তা লখিম্পুরদসু 'ওক্সিজেন লাঙর সেৱা' হৌরগনি। লাক্লিবা চয়োল অসি ফাওবগী মনুংদা ঐখোয়না অয়োধ্যাদসু সর্ভিস হৌগনি। ঐখোয়না মী মশিং য়াম্না মতেং পাংবা ঙম্নবা হোৎনরকপা অসিদা মীওই কয়ানা দোনেসন পীরক্লি অমসুং ভোলন্টিয়র কয়া য়াওশিল্লক্লি।

মমাঙদা মখোয়গী ইমুংগী অনাবা মীওইগীদমক ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং লৈখিবা মীওইশিংনা অতৈ পেসেন্টশিংগীদমক পোৎশককশিং অদু ঐখোয়দা দোনেসন তৌরক্লে। গুরুদ্বারা অসিগী ভোলন্টিয়রশিংনা নুমিৎ খূদিংগী মথৌ তাবা পেসেন্টশিংদা য়ামদ্রবদা ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩০-৪০ পীরি। কাপুরথালা জমা মসজিদনসু অহুমশুবা ৱেভকীদমক ময়ায় ওইরপ্পা সাইজগী ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং, ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং অমসুং অতৈ মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট এরেঞ্জ তৌবা হৌরে। মোস্ক অদুদা হান্নদগী এম্বুলেন্স লৈরবসু অতোপ্পা গাড়ী অমসু এরেঞ্জ তৌনবা হোৎনরি।

# ফর্টিলাইজর স্কাম কেসতা ঈ দিনা আর জে দিগী রাজ্য সভা মেম্বর ফারে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৩ (এজেন্সী):

ফর্টিলাইজর স্কাম কেস অমগা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি)না শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্তা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী রাজ্য সভা (আর এস) এম পি এ দি সিংহ ফাখ্রে।

ঈ দিগী টোপ ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ৱাফম অসিবু কনফর্ম তৌরদুনা হায়, এ দি সিংহ ফর্টিলাইজরগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ফাবনি। আর জে দিগী এম পি অসি প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ)গী মখাদা সাওথ দেল্লীগী দিফেন্স কোলোনিদা লৈবা ময়ূমদগী ফাখি।

কেস অদু আই এফ এফ সী ও অমসুং ইন্দিয়া পোটাস লিমিটেদ (আই পি এল)কা মরী লৈনবা ফর্টিলাইজরগী স্কাম অমগা মরী লৈনৈ। হৌখিবা থাদা সী বি আইনা ৱাথোক অদুগী মতাংদা করপসন কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। সী বি আইনা কেস অদুদা আই এফ এফ সী ওগী এম দি অমসুং সী ঈ ও য়ু এম অৱাস্থি, ইন্দিয়ন পোটাস লিমিটেদ (আই পি এল)গী এম দি প্রভিন্দর সিংহ গালোট, আই এফ এফ সী ওগী এম দিগী মচানুপা অনী- অমেল অৱাস্থি অমসুং অনুপাম অৱাস্থি অমদি অতৈ কয়াগী মমিংশিং পনখি।

এ দি সিংহ হৌখিবা চহীগী মার্চতা আর জে দিনা রাজ্য সভাগী এম পি ওইনা নোমিনেট তৌখি। মহাক্কী ইলেক্সন এফিদেভিটকী মতুং ইন্না, মহাক কিরোরি মাল কোলেজগী গ্রেজুএটনি অমসুং মহাক ময়ূম পান্দ্রি। মহাক লুপা ক্রোর ১৮৮.৫৭কী ইম্মুভেবল প্রোপর্টি লৈ অমসুং মহাক্কী মুভেবল প্রোপর্টিগী ভেল্যুনা লুপা ক্রোর ৪৯.৬নি। রাজস্থান, দেল্লী, হরিয়ানা অমসুং মুম্বাইদা মহাক্কী লম, এপার্টমেন্টশিং অমসুং ওফিসশিং লৈ। এফিদেভিট অদুগী মতুং ইন্না শেনবা চহী ২০১৯-২০গী মহাক্কী ইনকম টেক্স রিটর্নর্স লুপা ক্রের ২৪ হেল্লি।

# মেহুল চোকসি দোমিনিকা কোর্টনা বেল পীখিদ্রে



ন্যু দেল্লী, জুন ০৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ওথোরিটিশিংনা লুপা ক্রোর ১৩,৫০০গী বেঙ্ক লোনগা মরী লৈনবা নমথাক্কী কেস অমগী মতাংদা ফাবা পাল্লিবা মীতোপ ওইরবা দাইমন্দ লল্লোনবা মেহুল চোকসি ইলিগেল ইনত্রি কেসতা করিবিন ঈথৎ লৈবাক দোমিনিকাগী কোর্ট অমনা বেল পীখিদ্রে।

দাইমন্দ ট্রেদর অসি এন্টিগুৱাদগী ঈথৎ লৈবাক অসিদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙলকপগী মরালদা ফাখিবনি।

মেজিষ্ট্রেট কোর্টতা হ্বীলচ্যের অমদা পুথোকখিবা চোকসিনা মহাক ক্রাইম অমত্তগা মরী লৈননা মরাল লৈতে হায়খি অমসুং কিদনেপ তৌরগা মহাকপু ঈথৎ অদুদা পুবীখিবনি হায়না সবমিট তৌখি।

চোকসিগী উকিলনা মহাক্কী অর্গ্যুমেন্টতা হায়খি, দোমিনিকাদা তোঙান তোঙানবা নন-নেসনল কয়া মান্নবা মেট্টরশিংদা বেল পীরি। অদুনা ঐখোয়গী ক্লাইন্টপুসু বেল পীবা য়াই। লোনা য়াদবা মওংদা চঙলকপগী-দমক্তা মেক্সিমম পেনাল্টিগী শরুক অনী ওইনা দোল্লর ১০,০০০গী বেলগী শেনফম য়াওনা খ্বাইদগী কনবা বেলগী কন্দিসন লৈহনবীয়ু। দোমিনিকান গভর্ণমেন্টনা চোকসিবু ফ্লাইট রিস্ক অমনি হায়রদুনা মঙোন্দা বেল পীরোইদবনি হায়খি।

চোকসিগী উকিলশিংগী অর্গ্যুমেন্টকী মায়োক্তা গভর্ণমেন্ট উকিলনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা, চোকসিগা দোমিনিকাগা মরী লৈনদে। অদুনা মঙোন্দা বেল পীবা মতমদা মহাক ঈথৎ অসিদগী চেনখিবা য়াই। মহাক ওফেন্স ১১গা মরী লৈননা ইন্দিয়াদা চার্জ কয়া মায়োক্লবগা লোয়ননা মহাক্কী মায়োক্তা ইন্টরপোলগী রেদ নোটিস লৈ।

নাকল অনীমক্কী অর্গ্যুমেন্টশিং তারবা মতুংদা মেজিষ্ট্রেটনা চোকসিগী বেল প্লি অদু রিজেক্ট তৌখি। মেট্টর অসিগী অরুবা ফিভম অসি য়েংলগা ঐহাক মঙোন্দা বেল পীবা ঙমদে হায়না মেজিষ্ট্রেট কান্দিয়া কারেটে-জোর্জনা মহাক্কী রুলশিংদা হায়খি।

দাইমন্দ ট্রেদর অসি মে ২৩দা এন্টিগুৱা অমসুং বারদুদাদগী মথোং মরম খঙদনা মাঙখ্রবা মতুংদা য়ূমথংনরিবা দোমিনিকাদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙলকপগী মরালদা ফাখিবনি। কোর্টনা অয়াবা পীবগী মতুং ইন্না মেহুল চোকসিবু ইন্দিয়াদা পুনবগীদমক সী বি আইগী টিম অমা দোমিনিকাদা লৈরিবনি।

# চীফ মিনিষ্টর হুনখিবগী মতাংদা সো কোজ নোটিস পীখ্রে

পটনা, জুন ০৩ (এজেন্সী):

বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারবু হুন্দুনা ফোঙদোকখিবা কম্মেন্ট খরগা মরী লৈননা শগোলশেন নুমিত্তা বিহারগী বি জে পি য়ুনিটকী দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা পার্টি অসিগী এম এল সী তুন্না জি পান্দেদা সো কোজ নোটিস পীখ্রে।

দিসিপ্লিনরি কম্মিটি অদুনা পান্দেদা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্লবা খঙহনখি। পান্দেনা ত্বিট অমদা হায়খি, নিতিশ কুমারনা সী এম ওইরিবদু ওইফম থোক্তবনি। বিহারগী মীয়াম্না তেজাসৱি য়াদবতা লৈঙাক পায়নবগী মেন্দেট পীখি। মহাক্না মীয়ামগী মেন্দেট হুরগা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইখিবনি।

পান্দেগী কম্মেন্ট অসিনা বিহারদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা থোকহনখি। জে দি য়ুগী চীফ স্পোক্সপর্সন সঞ্জয় সিংহনা ইফোঙ ফোঙনা বি জে পিদা ৱার্নিং পীরদুনা মখোয়গী মতৌ অদু হেনমল্লে হায়খি।

ঐখোয়গী ল ুচিংবা নিতিশ কুমারগী মায়োক্তা হায়রকপা, চৈরকপা খূদিংমক ঐখোয়না তাগনি। ঐখোয়না তূমীন্না লৈ হায়দুনা ঐখোয়বু অশোনবনি খল্লোইদবনি। ঐখোয়সু মখোয়দগী হেন্না হৌনা ঙাঙবা ঙম্মী হায়না সিংহনা মখা তাখি।

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 57,80,000+15,169 | 54,60,000+29,270 | 96,751+553 |
| Karnataka | 26,40,000+16,387 | 23,10,000+21,199 | 30,017+463 |
| Kerala | 25,70,000+19,661 | 23,60,000+29,708 | 9,222+213 |
| Tamil Nadu | 21,50,000+25,317 | 18,30,000+32,263 | 25,205+483 |
| Andhra Pradesh | 17,20,000+12,768 | 15,60,000+15,612 | 11,132+98 |
| Uttar Pradesh | 16,90,000+1,283 | 16,40,000+4,939 | 20,787+115 |
| Delhi | 14,30,000+576 | 13,90,000+1,287 | 24,402+103 |
| West Bengal | 13,90,000+8,923 | 13,10,000+17,386 | 15,813+135 |
| Chhattisgarh | 9,75,000+1,792 | 9,30,000+3,244 | 13,117+40 |
| Rajasthan | 9,42,000+1,276 | 9,01,000+6,038 | 8,515+65 |
| Gujarat | 8,12,000+1,333 | 7,76,000+4,098 | 9,873+18 |
| Odisha | 7,82,000+8,399 | 7,03,000+10,594 | 2,831+40 |
| Madhya Pradesh | 7,82,000+991 | 7,57,000+4,113 | 8,157+45 |
| Haryana | 7,59,000+1,171 | 7,36,000+2,705 | 8,461+78 |
| Bihar | 7,09,000+1,158 | 6,91,000+2,772 | 5,268+46 |
| Telangana | 5,83,000+2,384 | 5,47,000+2,242 | 3,313+17 |
| Punjab | 5,72,000+2,214 | 5,26,000+4,426 | 14,748+99 |
| Assam | 4,20,000+4,178 | 3,64,000+4,389 | 3,477+61 |
| Jharkhand | 3,39,000+532 | 3,27,000+1,272 | 5,011+11 |
| Uttarakhand | 3,31,000+1,003 | 3,00,000+2,815 | 6,535+38 |
| Jammu and Kashmir | 2,94,000+1,718 | 2,59,000+3,391 | 3,963+24 |
| Himachal Pradesh | 1,92,000+891 | 1,77,000+1,294 | 3,210+29 |
| Goa | 1,57,000+706 | 1,44,000+1,711 | 2,693+22 |
| Puducherry | 1,06,000+867 | 94,566+1,393 | 1,567+17 |
| Chandigarh | 60,288+134 | 58,276+361 | 761+3 |
| Chandigarh | 60,288+134 | 58,276+361 | 761+3 |
| Tripura | 53,222+677 | 46,230+458 | 534+9 |
| Manipur | 52,278+729 | 42,404+622 | 839+14 |
| Meghalaya | 36,597+532 | 29,578+711 | 616+24 |
| Arunachal Pradesh | 28,018+376 | 24,083+329 | 118+2 |
| Nagaland | 22,072+218 | 16,841+97 | 399+14 |
| Ladakh | 18,841+91 | 17,119+140 | 191+1 |
| Sikkim | 15,876+250 | 11,513+136 | 260+3 |
| Mizoram | 12,859+225 | 9,494+147 | 45+1 |
| Lakshadweep | 8,335+169 | 6,833+267 | 35+2 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,043+25 | 6,781+36 | 119+1 |

# মিনিমম ৱেজ, নেসনল ফ্লোর ৱেজ লেপ্নবা এক্সপর্ট কম্মিটি শেম্লে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৩ (এজেন্সী):

মিনিমম ৱেজেস অমসুং নেসনল ফ্লোর মিনিমম ৱেজ লেপ্নবগী টেক্নিকেল ইনপ্যুট অমসুং রিকমেন্দেসনশিং পীহন্নবগীদমক সেন্টরনা এক্সপর্টগ্রুপ অমা শেম্লে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

গ্রুপ অদু নোটিফিকেসন থোকপা নুমিত্তগী চহী অহুম চৎনগনি। ইন্সটিট্যুট ওফ ইকনমিক গ্রোথকী দিরেক্টর প্রোফেসর অজিত মিশ্রানা এক্সপর্ট গ্রুপ অদুগী চ্যের পায়রি।

মিনিমম ৱেজেস অমসুং নেসনল ফ্লোর ৱেজগা মরী লৈননা এক্সপর্টগ্রুপ অদুনা গভর্ণমেন্টতা রিকমেন্দেসন পীগনি।

ৱেজ ৱেটশিংগী লেপ্পা য়ানবা গ্রুপ অদুনা মালেমদা চৎনরিবা ৱেজশিং য়েংশিনগনি অমসুং লৈবাক অসিদা পীগদবা ৱেজশিং লেপ্নবগী সাইন্টিফিক ক্রাইটরিয়া অমসুং মেথোদোলোজি পুথোক্কনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

আই আই এম কালকট্টাগী প্রোফেসর তারিকা চক্রবোর্তি, এন সী এ ঈ আরগী সিনিয়র ফেলো অনুশ্রী সিনহা, জোইন্ট সেক্রেটেরি ভিভা ভাল্লা অমসুং ভি ভি জি এন এল আইগী দিরেক্টর জেনরেল ঐচ শ্রীনিভাসনা এক্সপর্ট গ্রুপ অদুগী মেম্বরশিংনি। মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী সিনিয়র লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট এদভাইজর ওইরিবা দি পি এম নেগিনা গ্রুপ অদুগী মেম্বর সেক্রেটেরিনি।

# লিগেল প্রোটেক্সন পীবিনবা হায়জখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৩ (এজেন্সী):

ফাইজর অমসুং মোদর্নাগী মতুংদা ইন্দিয়াদা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন-কোভিসিল্ড শারিবা সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া (এস আই আই)না ভেক্সিন অসি শীজিন্নবগা মরী লৈনবা ক্লেম কয়াগী মায়োক্তা ইনদেম্নিটি নৎত্রগা লিগেল প্রোটেক্সন পীবিনবা হায়জখ্রে হায়না ছোর্স খরনা ফোঙদোরক্লি।

ছোর্সশিংদুগী মতুং ইন্না, অদার পুনাৱালানা লুচিংবা কম্পনি অসিনা গভর্ণমেন্টতা ইন্দিয়াগী নৎত্রগা মপানগী ওইরবসু ভেক্সিন শাবা কম্পনি খূদিংমক্তা মান্নবা প্রোটেক্সন পীফম থোকই হায়খ্রে।

সেরমগী ছোর্সশিংনা হায়, এস আই আইদা নত্তনা ভেক্সিন কম্পনি খূদিংমক্তা লাইএবিলিটিশিংগী মায়োক্তা ইনদেম্নিটি প্রোটেক্সন পীগদবনি। সেরমনা রুলশিং মীপূম খূদিংমক্তা চপ চান্ননা চৎনহনগদবনি হায়না থাজে।

ইন্দিয়াদা কোভিসিল্ড হায়না মমিং থোনবা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন শারিবা এস আই আই অসি অনৌবা এন্টি-কোভিদ ভেক্সিন অহুমগী চাংদসু চেন্নরি। সেরমনা ফার্মা কম্পনি নোভোভেক্সিনগা খূৎশম্নদুনা কোভেভেক্স ভেক্সিনগী এদভান্স চাংয়েং পাঙথোক্লি।


ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ / অৱাবা ফোঙদোকপা




Kwatha Khunjao Leikai গী মাইবরেন ওইবীরম্বা লাইগী অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা নিংথৌজম নাফলনা চৎলিবা চৈচৎ ২৫/০৫/২০২১ কুমজা কালেনগী ১৫নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ইখঙ-খঙহৌদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবগা লোয়ননা Kwatha High School গী ওজাশিংনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লাইওইখ্রবা থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা মপূগী মফমদা থৌনীজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **Kh. Shatrajini, Head**
**T. Tara, Teacher**
Kwatha High School

HL-P/9901/4



থোকখিবদগী য়ূমদা হঞ্জিল্লকখিদ্রে



ঐগী লোয়নবী শ্রীমতি য়েংখোম নিঙোল অসেম ওংবী শিলপা দেবী চহী ২৮, মপুরোইবা অসেম হেমন সিংহ চহী ৩০ সাং ইরেংবন্দ সাবল মখা লৈকাইদা লৈবী নুপী অসি হৌখিবা থাগী তাং ২৬-৫,২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা নুমীৎকী অয়ূক পূং ৬.৩০ তাবা মতমদগী য়ূমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবদা য়ূমদা হঞ্জিল্লকখিদ্রে। নুপী মপামগী মী য়াওনা থিবদসু ফংবা কৌবা লৈত্রে। মহাক্না য়ূমদগী থোকখিবা মতমদা চুনি ফি অঙাংবা অমা ইনখি। ফনেক অঙাংবা অরাংবা অমা শেৎখি। মহাক মশা পাই, মরেপ ৱাংই, কুলৈ-কুচুনি, চাওরাক্লা ফিট মঙা মখায় খরা হেন্না ৱাংই। গাড়ী মচা Access 125, Colour Mate Black, Registration No. MN04G 1007 অমসু লোয়নখি। হায়রিবা ঐগী লোয়নবী নুপী অসিবু কনাগুম্বশিংনা থেংনবীবা য়াওরবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন নৎত্রগা মখাগী নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ হায়জরি। পাউ ফাওবীরকপশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎচগনি।

হায়জরিবা : **Asem Heman Singh**
Irengband Sabal Leikai
# 8837212277 / 9366678977
Irengband Kakching P.S.

HL-B/6983/4



**OFFICE OF THE**
**YAIPHA SHINDAM NAHAROL CLUB**
Regd. No. 2446 of 1978

**CONDOLENCE**



Yaipha Shindam Naharol Club, Khabam Maning Leikai গী Founder Member Shri Nongthombam Ibomcha Meitei (72) June 2, 2021, য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মহাক্কী নুংশিরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা লাইরমলেন্দা তিনখ্রে। মহাক্কী ইমুং-মনুংগী নুংঙাইতবদা ক্লবকী মেম্বর খূদিংমক্না শরুক য়াজরি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়না তাইবং মপূদা থৌনীজরি।

Sd/- **General Secretary**

HL-P/9805/4



ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ / অৱাবা ফোঙদোকপা



ঐখোয় খ্বাই পূম্নমক্না মতম কুইনা লোয়নজরম্বা নুংশিরবা মরুপলোই শ্রীশগোলসেম হেমন্ত সিংহ, কৈশামথোংদা লৈবা অমসুং হান্নগী All Manipur Working Journalists' Union গী President ওইনা থৌসু পুবিরম্বা অদুগা ঐখোয়নদি দাদা হায়নসু মীঙ্গৌজবা মহাক্না ৱাহৈ অমতংফাওবা পূকমেল-পাওমেন্নবা নংহৌদনা তাং ৩০/০৫/২০২১ ইং, কালেনগী ২০নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ূক্তা ইখঙ খঙহৌদনা মীরমলেন তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা, মহাক্কী লৈহৌরিবা মরুপ ঐখোয়না করি ৱাহৈ-নবু ফোঙদোক্কনি নীংঙমদবা থম্মোয়গী মৈচাকসে।

নুংশিরবা মরুপ-ও নহাকপু, কাউঙল্লোই কৈদৌঙৈ ঐখোয়না
নহাক্কী মোমোন মাইথোংদো, ৱাঙাংদো নঙগী নুংশিরবা
থাজদনা চৎখিদা পেনখিদ্রে, থৱায় মীরেলনা নহাক্কী
ঈংনা-চিক্না লৈনবা, তাইবঙ মপূদা পুনেমজরি।

ইমুং-মনুংগী অৱাবা কয়াদসু শরুক য়াজরি লৈখিদ্রবগী মরুপলোই ময়াম্না।

ফোঙদোকচরিবা ঃ-
**TOP TEN গী মরুপশিং, লোয়ননা অতোপ্পা লোয়নরম্বা মরুপ-মপাংশিং**

HL-P/9793/1,2,3,4



ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ / অৱাবা ফোঙদোকপা



Naharol Tengbang Seva Marup, Taothong Apheiba, Lamsang I.S. Road কী মতম শাংনা মেম্বর ওইবিরম্বা Shri Yumnam Kulla (Kulabi) Singh না ইখঙ খঙহৌদনা তাং ২১/৫/২০২১ ইং, ইরাই নুমীৎতা লৈখিদবদা মরুপকী মেম্বরশিংনা তাং ১/৬/২০২১দা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীটিং অমা Shri T. Shamu Singh না সভাপতি ওইবিদুনা সেক্রেটরিগী য়ূমদা পাঙথোকখি। মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা খুরুমজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **L. Ibochou Singh,** General Secretary,
Naharol Tengbang Seva Marup, Taothong Apheiba, Lamsang I.S. Road

HL-P/9902/4